## তানীংদে, য়েংনীংদে
### ইকায়বসু খঙঙু, চৈরাকসু কিয়ু

চহী য়াম্না হৌজিনখিদুনা মথায়-থায়না হায়রুবসু য়াদ্রিবা অদুগা চহী খরগী মমাঙসু ওইদ্রিবনিনা 'থায়না-থায়না' হায়রুবসু চুমদ্রিবা, শুপ্নতগী মে ৩, ২০২৩দগী লান হৌরকপদগীদি মণিপুরদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক অমত্তং থোকপদা লানসিনা মরম ওইরগনি হায়দুনা হেক্তা তাইশিনবগী থৌওং অমসুং চৎনবী অমা লৈরক্লিবসিবু তৌফম থোকপনি, অচুম্বনি হায়গদৌরিব্রা? হোয়, লানসিনা মরম ওইরগা চীং-তমগী মরক্তা চঙন-থোক্লুবা য়াদ্রে, লম্বী অয়াম্বা ফাওনদ্রে, নেশনল হায়ৱেদা ফাওবা 'ফ্রী মুভমেন্ট' য়াদবদগী থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকপদা নত্তনা মীয়ামগী শেন্মীৎলোন্দা চঙ ফংনা শোকচিলহল্লক্লে হায়ববুদি চুম্মী। অদুবু থোকহন্নীংদবা, থোরকফম শুংথোক থোক্তবা থৌদোক ৱাথোক অমা থোরকপদা ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা লানসিদা লোইনা তাইশিনবদি চুমদে। খুদম ওইনা হায়রবদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কৈবুল-লমজাও পুলিস ষ্টেশননা কোল্লিবা ইথিংদা পাখঙ অমবু থাঙনা থিনবদগী কলহৌবা ঙমদনা লৈখিদবা থৌদোক্তুবু লানসিগা মরী লৈনবনি হায়বা য়াগদৌরিব্রা? উনরগা ৱারী শানদুনা চমথোক্লুবা লাকপনি হায়বদবু 'থাঙ' পুরগা লাক্লিবা করিগীনো? থৌদোক্তুদা চেন্নবশিংদা 'ক্রিমিনেল মাইন্দেদ' কী ৱাখল্লোন চেল্লি। মসিনা মরম ওইরদুনা ক্রাইম/ওফেন্স অদু কম্মিট তৌখিবনি। আই পি সী, সী আর পি সীগী প্রোভিজনশিং শেমদোক-শাদোক্তুনা মতমসিগা চুনহল্লগা মমিং ফাওবা ওন্থোরক্তুনা বি এন এস, বি এন এস এস হায়রবা এক্টশিংসিগী চানবা সেক্সনশিংগী মখাদা লিগেল প্রোসিদিংশিংগী মতুংইন্না ৱায়েল চথরগা ফংফম থোকপা চৈরাকশিং ফংহনগদবনি। থৌদোকসিবু লানসিনা মরম ওইদুগা থোকপনি হায়দুনা তায়শিল্লুবা য়ারোই। অদুগা তানীং-উনীংদ্রবা, মীগী মমাঙদসু ইকায় ফিরুক্নবা থৌদোকসিদগী 'হায়রিঙৈদা হয়া হে' হায়বগী থৌদৌদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ষ্টেটসিদা লৈবা য়ুনিভর্সিটিশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা মহৈকোল অমা ওইরিবা 'মণিপুর য়ুনিভর্সিটি' (এম য়ু) দা জুলাই ৪, ২০২৫দা থোক্লন্নিবা থৌদোকসিবু করিনো হায়বনিদা? মহৈরোয়শিংগী অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্ফম অমা ওইরিবা 'লৌশিংগী লাইশঙ' ওইরিবা মফমসিদবু মহৈরোয় নুপীশিংগী ফিজি-ফিনা নেৎপগুম্বগী থৌদোক, থৌদোক্তুদগী ৱাথোক ওইহল্লকফম থোকপ্রা?

হোয়, থৌদোক্তু লম্মাং-তুম্মাং, নারক-মোংশোঙ অমসুং চীংখোঙ-চীংয়াদা থোকখিবদি নত্তে। এগজামিনেশন হোলদা পাঙথোকপা চাংয়েংদা শরুক য়ারিবা নুপী মহৈরোয়শিংদা হান্না খঙহন্দনা নুপা ওজানা বোদি সর্চ তৌরুই হায়বনি। লাই খূৎশাংবীগী অশাংবা মখূৎ-মসা পান্দুনা ব্রোদ দেলাইটতুদা শাংদোক্লুই হায়বা নত্তে। মায়োক্নখিবা অকক্নবা নুপী মহৈরোয় অমসুং বোদি সর্চ তৌরুবা মীওইদুসু লৈরি। করি-করম তৌবনো হায়বসিদি মচিনশিং ফজনা হংলগা লোইনা থোরক্কনি। অচুম্বা-অশেংবশিং শিৎ-নান্না খঙগনি। অদুবু ওজানা মহৈরোয় অমবু শেন্বী শাবীবদবু 'চাইরেন চফুবু কাইননবা য়ৈব্রা' হায়বগী পাউরৌ লৈরিঙৈদা মসিদগী হেঞ্জিনহন্দুনা ৱারু-নুংলু থোকহল্লক্লিবা করিগীনো? মহৈকোল-মহৈশঙদবু খুদোংচাবা তাঞ্জাবু ফংলবদি হুরাল্লি হায়বা 'ওপ্পরচ্যুনিটি মেক্স দি থেফ্ট' হায়বগী থৌদৌবু থোকহনফম থোকপ্রা হায়বনি। থৌদোক্তুগী অশেংবা মশক খঙদোক্নবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী 'ষ্টুদেন্টস গ্রীভান্সেস রিদ্রেশেল কম্মিটি' না ইনক্কারি চথরি হায়রি। অশেংবা খঙদোক্তুনা চৈ কানবা য়াওরম্নবসু মীয়াম খঙনা পুথোরকপা ওইসনু। অদুবু এগজামিনেশন অদুগী 'ফ্লায়িং স্কাদ' কিনি হায়দুনা লাক্লিবা নুপী অমদুসু য়াওনা নুপা অনী পূন্না মীওই অহুমদু খক্তা নত্তনা মীপূম তিংনা খঙগদবদি মী অমগী মমায়দা কিননা থিন্দুনা মমায়দু থুগাইবা, নাহি তাহনবা খক্তনা ক্রাইম অমসুং ওফেন্স নত্তে। মমায়দা পালহন্দ্রবসু শউম ফংনা কিননা থিনজিল্লকপা মীওইদুসু মরাল লৈ হায়বসি খঙগদবনি। লৈবাকসিদা হৌজিক মীপূম খুদিংমক্কী চিন্দোন লৈতোন্দা পক্নরিবা 'ৱিমেন এম্পৱারমেন্ট' হায়বসিনা কোনশিল্লিবা য়ামখ্রবা থবক-থৌরমশিংদুনা নাকল অমদা থমখ্রগা নুপীগী ইকায়খুম্নবদা শোকহনবগী মায়োক্তা মচিন থৌনা মপাঙ্গল কল্লবা এক্ট, রুল অমসুং লোশিং মরাং কায়না লৈরি হায়বসি কৈদৌনুংদা কাউথোক্লোইদবনি। হায়বদি মতম অমদা পীকখ্রবা মণিপুরসিদা চৎনরম্বশিংগী মনুংদা নুপী অমগী খুদাংখক্তমক পায়বদা করিনি হায়না লৌনরম্বগে হায়বদু নীংশিংউ। কুইরবা ৱাফমসি পোপথোরকই হায়দুনা থৌদোক্তু মদুমক্কি ইন্টেন্সনদা থোকহনখিবনি হায়বা নত্তে। এগজামিনেশন হোলনি। চাংয়েংদুদা নুপী মহৈরোয় অম-নি খক্তনা তরক-তরক শরুক য়াবসু ওইরগ্লোই। অদুগা থৌদোক্তুমক 'সেক্স্যুএল হরাসমেন্ট ইন ৱর্ক প্লেস' হায়বদুগী মনুংদা চিংশিল্লসি হায়বসু নত্তে। অদুবু করিগীদমক মনা-মনিল নাইরক্তুনা শেনবুংমুক হৌহল্লক্লিবা করিগীনো হায়বনি। মসি হায় হায়দুনা অনীংবা অপাম্বশিং শোৎ-প্রেক লাওহন্দনা তৌনীংবতা তৌরো হায়বা নত্তে। থৌদোক্তুগী মতাংদা নুংশিবা অতপ্পা-অমেঙবা, থোৎ-নৌবা ৱাহৈশিং থোরকউ হায়বা য়াদ্রে। খোঞ্জেল তাবদদা বজ্র-শীংজং য়াওরক্তুনা খাইদোক্লগা পুমচাক চাকথেকহনগদবা ৱাহৈশিং ঙাক্তা পাইথোরক্কদৌরে হায়বনি। শোয়খিবা-লানখিবা ওইরগনা শোয়খ্রে-লানখ্রে, মতুং তৌজররোই হায়দুনা থাজহল্লু। অতম্ননা য়ারনি হায়দুনা ফত্তবা ইন্টেন্সন অমগা লোয়ননা চত্থখিবা থৌওং ওইরগনা নময়াদুদা থাও তৈরবা লীচৈ মরূনা কারন লাকউ। অদুবু অশেংবা-অচুম্বদুদি হান্না খঙদোকপা চুমগনি। থৌদোক্তুসু লানদা তাইশিল্লকপা য়ারোই। লানগী থৌদোকশিংনা তোঙাল্লি। হৌজিক ফাওবদা ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা লানসিনা চাওরবা মহৈশঙ অমদা মিৎ নাবা থৌদোকশিং থোকহল্লকউ হায়রকপা য়াওখিদ্রি। মহৈরোয়শিংবু তাকপী-তম্বীবগা মরী লৈনরিবা মীওইশিংনা থোকহল্লক্লে হায়বসিদবু করম্বা ফজবা ৱাহৈনা ঙাঙ-শক্কদৌরিনো? পন্থদনা অতাবি মতুংইন্না ৱারোইশিন পুরকউ। লায়না মখাক, লাইমন মচিৎ ওইহল্লক্তুনা কুম লায়না ওইহল্লক্কনু। হৌজিক ফাওবদা ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা লানসিনা মণিপুরগী মীয়াম য়োৎনা শোক্লবা হঙোইশিং ওইহল্লক্লিবনি। করি চাগেনা নপাম হরাওবদৌনা তৌদোইনো? মখা তানরক্কনু। তানীংদে, য়েংনীংদেকো!!

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৫৯০)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

সনা খোঙলেঙনা লালদাখিবদি। অসিনসু লোইবা লৈখিদে। মাইকৈ খানা পাংবা লম। লোইবী চীঙশাং। অনান লমদম মপুংয়াইদা সনা খোঙলেঙনা লালদাবনে। অনান খুললেল লৈ ও। মিংথোল মিংকৌখিবদি। করি তৌখিবা নুমিৎতগীনো। নবুধৌ শৈহেক হৈবা চীঙখোং পোইরৈতোলগী লৈমা। লৈমা লৈনাওতাবী খোঙলোইনবীনা। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯵꯹꯰)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯁꯅꯥ ꯈꯣꯡꯂꯦꯡꯅꯥ ꯂꯥꯜꯗꯥꯈꯤꯕꯗꯤ꯫ ꯑꯁꯤꯅꯁꯨ ꯂꯣꯏꯕꯥ ꯂꯩꯈꯤꯗꯦ꯫ ꯃꯥꯏꯀꯩ ꯈꯥꯅꯥ ꯄꯥꯡꯕꯥ ꯂꯝ꯫ ꯂꯣꯏꯕꯤ ꯆꯤꯡꯁꯥꯡ꯫ ꯑꯅꯥꯟ ꯂꯃꯗꯝ ꯃꯄꯨꯡꯌꯥꯏꯗꯥ ꯁꯅꯥ ꯈꯣꯡꯂꯦꯡꯅꯥ ꯂꯥꯜꯗꯥꯕꯅꯦ꯫ ꯑꯅꯥꯟ ꯈꯨꯜꯂꯦꯜ ꯂꯩ ꯑꯣ꯫ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯈꯤꯕꯗꯤ꯫ ꯀꯔꯤ ꯇꯧꯈꯤꯕꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯅꯣ꯫ ꯅꯕꯨꯙꯧ ꯁꯩꯍꯦꯛ ꯍꯩꯕꯥ ꯆꯤꯡꯈꯣꯡ ꯄꯣꯏꯔꯩꯇꯣꯜꯒꯤ ꯂꯩꯃꯥ꯫ ꯂꯩꯃꯥ ꯂꯩꯅꯥꯎꯇꯕꯤ ꯈꯣꯡꯂꯣꯏꯅꯕꯤꯅꯥ꯫ ●

## নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ২২৭ (শুমাং লীলা অমদি ঐ)



চাইথোরকপা ৱাখল
**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

কুমজা ১৯৮০-৯০গী মতম অসিনি মণিপুরদা য়াম্না কন্না লালহৌবগী ঈরাং কল্লিবসি। ঈরাং অদুবু অমুক নমথনবগীদমক মখল কয়াগী ব্লেক লোশিং শীজিন্নদুনা লমদম অসিদগী মরূ ফংনা মূখৎনবা হোৎনবদা ইন্দিয়াগী শাথী-শাথীরবা লান্মী কয়া থাজিন্দুনা মীচম মীয়ামদা ওৎপা নৈবা হৌরকখিবসি। আর্মিনা মপাঙ্গল কনখৎলকপগী মতিক মণিপুরগী ষ্টেট ফোর্সশিংসু খুদুং ইন্দুনা মীয়ামদা চৈথেং কয়া পীবা হৌরকখিবনি। মসিদা খ্বাইদগী হেন্না খুদোং চাদ্রিবসি নুমিদাং চথোকপা হায়বা অসিনি। মণিপুরগী হোলশিংদা অথেংবগী ফিল্ম শো কাপ্লম্বা তপ্না-তপ্না তোক্লরকখি। থেংনা থেংনা দুকান থোঙ হাংনরম্বা অদুসু ঙন্না ঙন্না লোনশিন্নরকখি। খরা লৈরগদি নুমিৎ হেক তাবগা য়ূমদগী মপান থোক্তবগী মতৌ ফাওবা তৌরকখি। মসিদনি মৈরা পায়বী ইমাশিং থোরকখিবা, খ্বাংচেৎ মচি লাংদুনা অহিং য়ারেকপা হৌখিবা। মাল্লি হায়দুনা মীবু ফাবা পুনবা, হাৎপা, কাপ্পা তোয়না তৌরকখি। য়ূম অমদা মশক খঙদবা মী চঙলকপদা য়ূম অদু মরাইবক ফরগা ফরে, ফৎত্রবদি দষা অপাইবী অমা চঙবগা চপ মান্নে। করিগুম্বা মশক খঙদবা খরা চঙলক্লম্মে হায়বা পাউসি হেক তাবগা ইমুং অদু মথক মখা ওন্থোকই। লৈরম্বা মীশিং, ইমুংগী নহা, অহল খাক্তনা য়ৈবা হৌরকখি। য়াম্না অৱাবা ফীভম অমদা সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট ফোর্সশিংগী অহেনবা এক্সন কয়ানা, ঐখোয়গী তম্পাক লমসিদা খাঙবা ঙমদবগী চাং ফাওবা য়ৌখি। চীংদসু অদুমক তৌদবা নত্তে, চনু রোজগী ৱারী হৌজিক ফাওবা কনামত্তগী থম্মোয়দগী তান্থোকপা ঙম্নদ্রি। ৱারী ওইনা লৈরি। তম্পাক্তসু অদু মঙাই, তাবদা তুজ ুংলবা ৱারী কয়া অমা মরাং কায়না লৈরি।

মতম অদুদনি মণিপুরগী শুমাং লীলাসু য়াম্না কন্না হেক ময়ামগা খূৎশম্নরগা মণিপুরগী তম্পাক লমদতা নত্তনা চীংগী লমশিংদা শিনবা থুংনা কোইনা চৎতুনা লীলা উৎলকখিবা। মতমদুদা থোরকখিবা লীলা কাঙবু কয়াগী মমিং লৈরবা হৌজিক ফাওবা কাউবা ঙম্নদ্রিবা লীলা কয়া অমা ঙসি ফাওবা শোন্নদুনা লৈরিবা অদুনি। হৌজিক মতম ফরক্লবা ফাওবদা মতমদুগী শুমাং লীলাগী মহাউ অমদি মনুংঙাই অদু হৌজিক্কী মতম অসিনা পীবা ঙমদে, হান্নগী লীলাশিংদু য়ৌবা অমত্তা য়াওদ্রে হায়বসি অয়াম্বনা হায়নরক্লি। মসি ইজরিবা ঐনা শেমজিল্লগা হায়বা নত্তে, ইশামক্তদা হায়রকপা কয়া লৈরি। মদুগী মরম হায়ববু শুমাং লীলাগী মশাগী ওইবা করেক্টরিষ্টিক্তা হোংলকপা, সিমপ্লিসিটি মাঙশিল্লকপা, ইমোশন অমদি সেন্টিমেন্টশিং অদু য়ৌনা শাগৎপা ঙম্নদবদগীনি। মদু ওইরক্তনবগী চাউরবা মরম হায়ববু এক্টরশিংগী হৈ-শিংবা ৱাৎলকপনরা নৎত্রগা তম্বদা মপূং ইফা ফাদবনরা অমদি শোয়দনা ওইফম থোকই খল্লি, লাল্লম্বসু য়াই। মসিমা তোঙান্না থমখ্রগা, লাকচনীংলিবা ৱারী মপুংদি, মতমদুদা শুমাং লীলানা কোইনা চৎতুনা উৎপদা লম্বী চৎথোক চৎশিন তৌবদা য়াম্না খুদোং চাদবা কয়া অমা থেংনখি।

মতমদুদা, লীলা শান্নবা মফমদা থেংলবসু, ঙল্লবসু মফমদুদা অহিং য়ারেক্লগা নোংঙাল্লগা হল্লকপা অসি তৌরম্মী। লম্বীদা আর্মি থেংনরবদি খুদোংচাদবা কয়া অমা থোকখিবা লৈখ্রে অদুনা ঐখোয়দা খুদোংচানবা হায়দুনা অহিং লেক্লরল্লিবনি। নুমিৎ হেক তাখিবদগীদি আর্মিসি ৱা ঙাঙনবা কয়া নুংঙাইতে। লীলা চৎখিবদসু অদু মঙাই, লম লাপ্পবদি ঐখোয় য়ারিঙৈ ঙন্না চৎনবা তৌই। শক তাখৎখ্রবা আর্মি ময়াম অমনা শৌ শাদুনা লৈ। মখোয়গী মমিৎতা মী খুদিংমক অসি লালহৌবগুম অমদি লৈবাক মাঙ-তাকহনবগুম উবদৌনা তৌই। অদুনা ৱা ঙাঙনবদা খূৎ হেক্তা য়াওগদগী তৌই। মসিগী মতৌসি ষ্টেট পুলিসনসু খিতং থেংলক্লবদি মতৌ তম্মী। মপানগী আর্মিনা ঐখোয়বু খঙবীদ্রবসু লমদমসিগী পুলিসশিংনদি ঐখোয়সি আর্টিষ্টনি হায়বসি খঙদবা লৈতবনি। অদুবু অথেংবা ঐখোয়না ৱানা হল্লকপা লম্বীদা মখোয় খরদি চাহৈ থকহৈদবা চাশিল্লগা মতম লেনবা, নোং ঙানবা ঙাইবা ওইনা অদুম খরা ওৎ নৈবগী থৌদৌ মফম খরদা অদুম থোকই। অসিবু শিংতেক্তনা তুকা থিদুনা হায়রুরদি ঐখোয়না কদাইদা করি তৌরে হায়না ঐঙোন্দা অমুক ওনশিল্লক্লোইদ্রো? লৈবদি য়াম্না লৈ, ঐ ইশামক্তদা থোকখিবা থৌদোকশিং লৈরি। মসি তম্বু তমথোক্কেদহে।

নোংমা য়াওশঙ মমৈ চোন্থরকপদা লীলাসি অদুম ঐখোয়গী অশং-অশংবা য়েংলগা শান্নরিঙৈ মতমনি। নুমিৎতুগী ইরোই লোইবা শোদু মাইবম লৈকায়দা উৎপনি। লীলাদু খোইমুগী দশা হায়না কৌই। ঐনা ওফিসর য়ু য়াম থক্কনবা, নুপী অনীগা লোনবা অমা শাই। লীলাদু ঐনা হায়জিন্নবা নত্তে, অদুম নুংঙাইবা লীলানি, অদুনবু মীনা পাম্নদনা কৌনরিবনি। লীলাদু লাষ্ট শো ওইবনিনা ঐখোয়সু য়াম্না ঈংনা চিক্না শান্নে, মতমবুদি ফনয়াম থেংলপোৎনি, লীলাদু পুলিস খরসু জীপসি অনীমুক্তা লাল্লুগা য়েংলম্মী। জীপসি মমাঙদুদা মখোঙগদু থাঙ্গৎলদনা ওন্থোক্লা কেঙনা য়েংখ্রজাৎনি। ঐখোয়সু মোইনা তৌরিদু অদুম ইঙান ঙান্না উই। লীলা শান্নফমগদু পিৎ-পা, পিৎ-পা কোইচৎ চত্তনা তৌরম্মী। মোইগী থৌদৌদু লীলা য়েংলিবা অমত্তনা থৌওইবীদে। ঙাইহাক লৈরগা মোইদু চৎখ্রে। ঐখোয়গী লীলাসু লোইরে। ঐসু য়ূমদা হন্নবা হায়দুনা ঐগী সাইকল থৌরগা মথং-মথং লম্বী ফাওদুনা লাকই। কক্ৱারোমদা ফাওদোরকই, অদুদগী অমুক কক্ৱাদগী লীলান্দো লম্পাক ফাওরগা নিঙোমথোংজাও তারগা খোংমনলোমদা চৎখিদৌরিনি। লিলান্দো লম্পাক য়ৌরকপদা পুলিস খরা লম্পাক মচিদা লৈরম্মী। ইচিন থী হায়নি ঐনা সাইকল থৌদুনা লাকপদুদা মোইনা 'ঙাইখো' হায়না লাউরকপা খোল্লাও, নোংমৈগদু ক্রেক-ক্রাক লাউনা বোল্ট কদু চিংলগা চেনশিল্লক্লগা সাইকলদগী কুমথফাৎত্রিবা ঐঙোন্দা নোংমৈগা নম্মগা তৌখিবদু ঐনা পূন্সিদা করম্না কাউগনি। মখোয়না লাক্লিবসি ঐনি হায়বসি খঙলে, মরমদি ঐবু মতমদুদা খঙদবা মীসি অতোপ্পা ষ্টেটতদি খঙদ্রে, মণিপুরদদি চীংগী লম য়াওনা ঐবু খঙদবসি ইরৈ লৈরগ্লোই হায়না খল্লি। মরোলগা ফাইরপ, শক্কা তাখৎলপ, মীগা উশিত্তরপ য়াম্না কেংলপ হংলকই, "কায় চৎলুই?" ঐনা খুম্মীকো- "ঐ লীলা শান্নবা চৎলুবনি?" অদুদা অমনা চঙশিল্লক্লগা "লীলা হায়দি?" কৈমতগা খঙদবা মান্দ্রা, অদুদদি ঐ ঈ কারেদো। "লীলা হায়দি নঙনা নয়াগা ইহি হিগৎখৈ নয়াদা হয়িং চঙবা কাউখৈ য়েংবা, নোইগুম্বা কয়াদা লৌশিং তাকপীবদো" হায়না শাওনীংবোই করিবোই থোক হেক হায়রুরে। মদৈদি ব্রং লাউনা শাওগৎলক্তনা, "কৈনো নঙনা শক অদুক য়াম তাখৎলিদো?" সিনিসে, অদা ঐনা মসিদি তৌরগে হায়দনা, "শক তাখৎপা লমসিদা শক তাখৎতবা মীদি মী ওইনা খল্লোইদ্রা হায়না নোইগী নতৌ তমদুনা শক তাখৎত্রসু খোন খরা তাখৎপনি"। মদৈদি মোই শাওরে, ঐসু শাওরে।

"নঙ কাইদৈনো?" ঐসু ঐগী লৈফম হায়, মোইনা হংফম থোকপা মতম লেনফম থোকপা ৱাহং হংই। লীলাগী মতাং য়ৌরকই। "লীলাদা করি শাই" গাইনা। সি য়ৌরক্লসিদি ৱাথী নৎত্রো? ঐসু মীনা কয়া উশিত্তবা য়াদবা মীতাগা ওইরে, থোক হেক খুম্মী, "কৈনো নোইনা পাম্মীসে, ঐসি ফাগে হায়রা, অদু ওইরগা নোইগী ওফিসতা পুরো, নোইনা হাৎকে হায়ব্রা, অদু ওইরসু হাৎলো, করিগুম্বা ঐনা হিংহৌবা তারদি ঙসিগী ৱারীসিগী মখা ঐনা অমুক চত্থরক্কনি" হায়রুরে, অদুদদি মোইনা 'নঙ কৈদৌগে হায়বা" হায়রগা মাগী নোংমৈদুনা ঐঙোন্দা নম্মী। "ঐনা অদুমাই তৌনু, নঙ নশক মুন্না খঙই" সিনি। অদুদা মানা, "অদুদি ঐ কনানো" সিনিসে। ঐনা অমুক হংই, নশাবু মশক খঙজদ্রো? খঙদবদুননিনে, সিগুম্বা মওং তাদবা থবক তৌরিসে"। য়াম কন্না চিন্দা পাওদানরে। ফনা কুইরবগী মতুংদা ঐনা হায়রে, ফাগে হায়রগা ফারো, ঐ ঙসাই নুংথিলদা লীলা মরি শান্নরকপনি, চাকসু চাদ্রি, য়াম ৱারে, তূমসু য়াম তূম্নিংঙে, নোইনা তৌদৌদু তৌরো"। চাওরাক্লা পুং অনীমুকসি মোইনা ঐবু ফাজিন্দুনা থম্মী। কোন্না জীপসিদগী নুপা অমা কুমথরক্লগা, "য়ারেসে, থাদোকখ্রো, ঐখোয়সু হল্লসি" হায়বদগী ঐঙোন্দা ৱাচপ থাখৈ দিল লেল্লম্বা মীদুনা, "ৱারৌ য়াদে, নোংঙানবা ঙাইমিন্নসি হায়না তৌবনি, লেঙবীরো লেঙবীরো ওজা" সিনিসে। ঐদি ঈ কারিবনিনা "নঙ ঐগী মহৈরোয় নত্তে, ঐ নঙগী ওজা নত্তে, ঐগী মহৈরোয়না অদুগুম্বা মচোংপাক নাইদবা থবক তৌবা হৌনদে" হায়না খুম্মী। অদুগা ঐসু য়াম শাওনীংনা য়ূমদা হল্লকখি। মখোয়না ৱা-ৱা নোক্তুনা লৈহৌই। সিগী ৱারীসি ময়াম তাবদা নুংঙাইবীবরা? মসি ঐখোয়গী ষ্টেট ফোর্সশিংগী মরক্তসু সুম্না তৌবা য়াওরিবনি। সিদা নত্তে, য়াম্না লৈরি। মথং-মথং তমজরক্কে। ●

## খুন্নাই অমা মূখৎনবা লম্বী খরা

পূন্সিগী ঈচেলদা - ১২৭
**ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার**

খুন্নাই অমা মূখৎকে হায়রবদি খুন্নাই অদুগী মহৈ-মশিং তম্বগী লম্সি থুগায়বা, খুন্নাই অদুগী মীওইশিং মরু ওইনা তুংগী য়ূম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা নহারোলশিং মাঙহনবা (মখল-মখলগী ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং পীজদুনা), খুন্নাই অদুগী শেন্মীৎলোন থুগায়দুনা নীদুনা চাহনবা হায়বদি মদোম হিংজবা ঙমহন্দবা, খুন্নাই অদুদা লৈরিবা কাঙলূপ মশেল নুংশিনহন্দবা অমদি খুন্নাই অদুগী নাৎ অমদি লাইনীং লাইশোন মূখৎপা অসিনি। হায়রিবা থৌওং পূম্নমকসি মণিপুরদা থোক্লি ঙসি ঙসিমক। মসি কনানা থোকহল্লি হায়রগদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থোকহনবা ঙাক্তনি, করিগী মনীং তম্না মদোম লেপচগে, লৈজ খিগে হায়রক্তনবা।



ঐখোয় খুদিংমক্লা খঙই মদুদি বৃটিশ এম্পয়রনা ইরমদম কংলৈপাকপু মখোয়গী মখাদা থমদ্রিঙৈদা চহী লিশীং কয়া নীংখা তম্না পাল্লম্মী। মতুং তারকপদা, বৃটিশ লৈঙাক্লা ওগষ্ট ১৪, ১৯৪৭তা কংলৈপাক্লা ১৮৯১গী মমাঙদা নীংখা তম্না লৈজরম্বা নীংখা তম্বগী লৈঙাক অদু অমুক হঞ্জিনহনখি। অদুবু লাইবক থীবদি, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১দা নম্ফুন্দা মজর এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীহন্দুনা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইহনখি। নুংঙাইত্রিবা অমদি পেন্দবা ৱাফমদি, মর্জর এগ্রীমেন্টকী খূৎয়েক পীরবা মতুংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরবু করিসু লৈতনা, য়াম্না উশিত্তনা, য়াম্না তোন্না য়েংলকখিবা থৌওংশিং অদুনি, ঙসিসু হোংদ্রি অদুগুম্বা ইন্দিয়াগী থৌওংদু।

মতৌ অসুম্না ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মনীং মখা তম্না মশাগী তোপ তোপ্পা ময়েক, মরোল, মনাৎ, চৎনরোল অমদি লৈঙাক্লোন মপূং ফানা লৈজদুনা নীংখা তম্না চাওথোকচনা লৈজরম্বা লৈপাক অমবু ব্যুরোক্রেট কম্মিস্নর অমগী মখাদা চহী ৬/৭ পার্ট সি ষ্টেট অমা ওইনা থল্লকখি (১৯৪৯-১৯৫৬), য়ুনিয়ন টেরিটরি অমা ওইনা চহী ১৬ ইকায়বা পীদুনা থল্লকখি (১৯৫৬-১৯৭২)। শাংলবা চহী কয়া অদুদা মীয়াম্না ষ্টেটহুদ পীবিয়ু হায়না লাউদুনা লাকখিবনি অদুবু তাবীখিদে ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঙসি পি এম মোদিনা মণিপুরগী ঈরাংবু লোইশিনবীয়ু হায়বদা করিসু তাবী-উবীদবগুম।

অসিগুম্বা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী য়াম্না উশিত্তবা থৌওং কয়া অসি খাঙবা ঙল্লক্তবদগী ইন্দিয়াগী মখাদা মীনাইগুম হিংনীংদবা, নীংখা তম্না হিংবা পামজবা য়াওল্লুপশিং থোরকপা হৌরকখি ১৯৬৪ অদুৱাইদগী। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঐখোয়দা য়েংলিবা মীৎয়েং অমদি ঐখোয়বু নম্ফু হাফুন্দা ইন্দিয়াদা য়াওহনখিবা অদুগী মায়োক্তা থোরকখিবা য়াওল্লুপকী মশীংসি অসুক্কী মতিক য়াল্লে। নীংতম্বা ফংনবা হোৎনবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা য়ানবগী ৱারী শুংশান শানরোই হায়বা য়াওল্লুপ থোরকপা অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা তোঙান তোঙানবা পাম্বৈশিং শীজিন্নদুনা মণিপুরবু ইন্দিয়াগী মখাদা নম্ফুন্দা লৈহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। ইহান হানবদা এদ্যুকেশনগী লম্সিমা পুমশোয় শোয়হল্লে। প্রোপর এদ্যুকেশন ফংহন্দ্রবা, লৈত্রবা লম অদুগী মীয়ামদি হেন্না হেন্না পঙশিল্লকপা তাবনি, লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লা চৎলক্তবা তাবনি, খৎন-চৈনবা তোয়না থোরকপা তাবনি। এদ্যুকেশনগী লম্সি ফগৎনবা সেন্টর লৈঙাক্লা মণিপুরগী গভর্ণমেন্ট স্কুলশিং শেমগৎনবা পীফম থোকপা শেনফম থাদরকপ্রা হায়রগদি থাদরক্তে। শেনফম মতিক চানা থাদরক্তবনা প্রাইভেট স্কুল ময়াম অমা লো ফাওবা থুগায়দুনা চেঙ্গুম শৌবগুম হাংদোক্নরিবসিনি।

সেন্টরনা খরা থাদরকপা শেনফমদুসু এদ্যুকেশন মিনিষ্টর অমদি মাগা চৎমিন্নরিবা ওফিসর ময়ামদুনা মখোয়গী ফুরিৎখাওদা হাপচিনখিবদা স্কুল শেমগৎনবা থাদরকপা শেনফমদি লেমহৌদ্রে। শেলগী মতাংসি নত্তবীদা লমদম অসিদা থম্বীরিবা সিলেবসশিংসিদা মণিপুরগী ওইবা হিষ্ট্রি, লম্মীৎ-তুমিৎকী, লাইনীং-লাইশোন অমদি নাৎকী মতাংদা করিবু য়াওরিবগে। মসি লমদম অসিদগী হৌরক্লিবা অঙাংশিংবু ঐখোয়গী লৈজরকপা পোৎলম কয়াদগী লাপথোক্লা থম্নবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌওং অমনি। মসিগী মথক্তা, তুংদা য়ূম্বী ওইরক্কদৌরিবা নহারোলশিংবু মরূ ফংনা মাঙহনবা অসিনি। মসি থোক্তনবা হোৎনবদা মণিপুরদা দ্রগনা পুমচাই চাইহন্দুনা লাক্লিবা অসিনি। দ্রগ পুশিল্লকপা অমদি পুথোকখিবগী লল্লোন ইতিক্তা লমদম অসিগী পোলিটিসিয়নশিং, অচৌ অশাংশিং, সেন্ট্রেল ফোর্সশিং চেন্নরি। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা মরম ওইদুনা দ্রগ এদ্দিক্ট ওইবদগী মণিপুরদগী নহা কয়া মশীং থিঙমদনা মপূন্সি লোমখ্রে লমখাংদা, ইমুং কয়া অমসু কায়খ্রে লোয়ননা নুপী অঙাং কয়া অমসু ঐচ আই ভি লায়না নাদুনা মপূন্সি লোমখ্রে, কয়া অমনা লায়না অসিগা লোয়ননা ৱানা হিংলি। মসিদা ইন্দিয়াগী খূৎ চাউনা য়াওরিবনি।

মসিগা লোয়ননা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লমদম অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্তগী নীর-নীরগা চানবা লম্বী কয়া শীজিন্নদুনা লাক্লি। মসিগী মহয়নি মণিপুরগী পোলিটিকেল লুচিংবশিংনা দেল্লীদা চৎ-চৎতুনা শেল নী-নীদুনা হিংবগী হৈনবী লৈরিবা। ঙসি ঙসিমক থোক্লিবা ঈরাং অসি লোইশিন্দবীদা থল্লগা, নেশনল হায়ৱে চৎপা য়াহন্দ্রগা কাঙলূপ খুদিংমকপু হেন্না হেন্না ৱাহল্লগা ইন্দিয়া লৈঙাক য়াওদ্রদি হিংবা ঙম্লোই হায়বগী ৱাখল্লোন অসি লৈহন্নবসু হোৎনরি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরগী মীয়াম্না নীংখা তম্না হিংজরগে হায়রক্তনবা। মসিসু ফনা য়াম্না মায় পাক্লে হায়না লৌবা য়াই মরমদি মণিপুরদা ইন্দিয়াগী মতেং য়াওদ্রদি হিংবা ঙম্লোই খনবা লুচিংবা অমদি মীচম মীয়াম মশীং য়াম্না লৈরি।

অতোপ্পা অমনা, কাঙলূপ মশেল নুংশিনহন্দনা তোখায় তোখায়, নাকপাক নাকপাক তাহন্দুনা থম্নবা হোৎনবা অমদি থল্লিবা অসিসু লম্বী অমনি। মরম অসিননি চহী অনী হেল্লবা ঈরাং অসিবু লোইশিন্দবীদা থল্লিবা। লোইশিনগে খন্না হোৎনবীরম্লবদি নহান্না লোইশিল্লমগনি। অদুবু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লোইশিনবা পামদে। সিদা লোইদ্রি, লাইনীং লাইশোন অমদি নাৎপুসু মূখৎনবা কন্না হোৎনদুনা লাক্লি, মরু ওইনা ঙসি ঙসিমক পাল্লিবা ইন্দিয়া লৈঙাক অসিনা। সনামহী লাইনীং চৎচবা ঐখোয়তা নত্তে অতোপ্পা লাইনীং চৎচবা ফুরুপশিং অসি ফাওবা পোলিটিকেল পৱার পায়হনবগী মিংদা ইন্দিয়াগী হিন্দু লাইনীংগী ওইবা ৱাফম কয়া পুশিল্লক্তুনা চৎনহন্নবা হোৎনরি। মসিবু ইন্দিয়াগী অশেংবা সেক্যুলরিজম লৈরবদুরা। হ্যুমেন রাইটস লৈতে হায়দুনা নোংচুপ লৈবাকশিং অমদি ইন্দিয়ানা অরানবা প্রোপেগন্দা কয়া শন্দোকপীরিবা চাইনাদদি অপীকপা লাইনীং লাইশোন অমদি নাৎশিং অসি শৌগৎপীরি, হিংহল্লি। মখোয়গী লাইনীং লাইশোন অমদি নাৎতা খূৎ খক থাজিনলুদে চাইনিজ লৈঙাক্লা।

লমদম অসিগী ঙমখৈখক কায়দ্রগা ঐখোয় শাফরে (সেফ) হায়না লৈথোকপদি য়াম্না লানগনি। ইশাগী ইরোল, ইশাগী লাইনীং লাইশোন, ইশাগী চৎন-কাঙলোনশিং অমদি ইশাগী ৱাখল্লোন মাঙখ্রবদা লমদম অসিগী ঙমখৈ লৈহৌবনা করিবু কান্নগদৌরিবা। ঐখোয়গীনি হায়না চাওথোকচরিবা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা পোৎলমশিং অসি লৈত্রবদা, য়াওদ্রবদা মণিপুর হায়রিবা লম অসি লৈহৌদুনসু ঐখোয়গা করি অমত্তা মরী লৈনররোই ঐখোয় মতম অমদা হিংলম্মী হায়বা পুৱারী নত্তনা।

মরম অসিনা লোইশিল্লকপদা থমজনীংবদি, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঐখোয়বু মূখৎনবা হোৎনরিবা লাল্লোং কয়া অসি মশক মুন্না খঙজিন্দুনা ঐখোয়গী লুচিংবশিং, মরু ওইনা সী এস ওশিংনা য়াম্না মীৎ-না শীংনা লৈফম থোকই, মায়কৈ (এঙ্গল) খুদিংমক্তা য়েংদুনা থবক তৌফম থোকই। অদুগা মীয়াম্নসু হরাও কুম্মৈদা অমদি ঈরাংদা তাওবগী মহুক্তা ৱাখল তাফম থোক্লে। ঙসি ঐখোয়না মপানথোংগী অরং অরাক্তা অমদি কুম্মৈ ঈরাংদা তাওদুনা লৈথোক্লবা, ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিংদি শোয়দ্রে মপা-মপু মশক খঙদনা, মশাগী হৌরকফম খঙদনা মীনাই ওইনা লৈহৌবা হায়বদো। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।